"মণিপুরগী ফিল্ম আর্কাইব ? ঐখোয়গীদি মৈ ফাওবা মৃদ্রি হায়বা য়াই।"
- আর কে বিদুর (ৱাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল)

শৈরেং

## অনুতাপকী মৈরি

**—লাইশ্রম ওংবী সুমীতা লৈমা**

নৈহৎপীরবা ঐখোয়গী থম্মোয়
খাংঙমদ্রবা পেন্দবগী মৈচাক
হিংলি ঙসিসু অসুম্মক নীংবা কায়না
ফৎত্রবশিংদুনদি খঙলল্লোই ঐখোয়গী অৱাবা।
পুঙমদ্রবা পেন্দবগী মৈচাকসে
পুদুনা লেপ্লি ঙসিসু ঐখোয় পুম্বা
হো নুংশিরবী ইমা কংলৈপাক
নহাক্কীদমক্তা থৱায়না পোম্থা ওইখ্রবশিং
মমা লৈবাক্কীদমক্তা তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎখ্রবা
নুংশিরবা কংলৈচাশিং
অৱাবা কয়া থেংনবদা
নোক্লা নোক্লা ইমাগীদমক্তা
থৱায়না পোম্থা ওইখ্রবশিং
ঙসিদি মৈত্রবাক্কী মমা ওইবী কয়ানা
মীৎলু পিরাংনা ইচাশিংগী তর্পন ওইনা কৎচরি
লাংবন থানা লাকপসিদা
নীজরি তাইবঙ শেম্বা মপুদা ইচাশিংগী থৱায়না
ঈংনা চিক্লা শান্তি ওইনা
লৈরুনবগীদমক লাইরমলেন্দা
মৈত্রবাক ইমানা য়াইফরে।

## অমম্বা ফিজংনা খুন্নদুনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

উনা উনা মাঙখ্রে
লোয়নজরম্বা অহল-লমন
হৌমিন-কামিন্নরকপা মরুপ-মপাং
পুন্সি খোঙচৎ অসিদা
মাগী মাগী শিন্থা লোইরদুনা
অমম্বা ফিজংনা খুন্নদুনা
পানখৈ নাইরবা পঙ্খুং অমদা লুপখরে।
নুংশিদা লোইবা নাইবা
পুন্সি খোঙচৎসে,
পাম্মু পাম্মু নুংশি
নুংশিনা কায়নখিদো।
ইপান থানা লোইখ্রগা
তুরেলগী ঈচেলনা পিকথরকপগুম
পুন্সি খোঙচৎসু সন্ধ্যা
মতম ওইরক্তুনা নঙসু-ঐসু
সংসার অসিবু থাদোক্লমদুনা
মঙালনা অমম্বদা তিনখিবগুম
পুন্সি খোঙচৎসু ঈচেল নেমথরক্তুনা
তিনখিগনি অপাকপা ঈপাক্তা।

## শক্তিগী লানবুং

**—এম নিলকুমারী**

পোথা পোথা কাপথরক্লি
মখোয় লৈরি খঙহল্লি
ইপু থাঙ্গাল জেনরেল
নখোয়গী নরমদমনি
শক্তম কায়বা য়াদ্রবা।
ফিথুংদ্রবা কাঙবুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ওৎলরি
পোথা পোথা লাল্লুল্লি
মীহাৎ মীপূন লিচৎনি।
বোম তোপ কয়ানি
ইমা ইবেলগী শক্তিদি
নুপীলালগী নুঙগী মূর্তিনা শাখিনি।
অমুবা মচুনি হক্লিবা
নীংশিংনবা মীয়ামদা।
পোথা পোথা কাপ্লি
চীংমায় চীংচেপ মখোয়গী
শিরগদবা তোংশা কয়া
ঙাইঙমদনা হাৎপনি
লমলেম লম্মাংগীদমক্লি
পুন্নমক রিলিফ কেম্পকী যূম্নু ওইবা তারবরা?
গুহানুংগী নোংশানা মতৌ করম্না
গুহানুংদগী চোংখৎখি
লৌশিংতনা পাঙ্গলনি।

## তং তাদ্রবদা

**—রাজকুমারী মীনা**

নহাক্লা মেঙনা ঈংনা লাক্লবদা
সনারৈ কৌবী লৈরাং কয়ানা
মচু মচু শাৎলবসু লৈকোলদা
মেংলবা নঙগী নঙালদা লেপ্পাইদনা
ককচেং শঙ্খু চৎপা উরবসু নঙালদা
নীংথিরবা নঙগী তনিক্লবা ঈথক ঈপোমসিদা।
নুংওনবা নুংঙাইতবা পেন্দবা কয়া মীৎমাংসিদা
করম্না কমদৌনা করিগীদমক ওইরকখিবা
লাংতক্লহল্লি কপহল্লি তেংথারি
অহিং মিৎশেল কয়া খাংলি
ৱাকৎলি থম্মোয়না থম্মোয়দা ইথন্তা
হল্লক্লরোইদবা নুংশিরবা থৱায়শিংগীদমক।
মেংলবা নঙাল উর-উরগা থোইনা হেন্না
হিক্লা হিক্লা তেংথা নাওইরি
মাঙলমচৎপু নীংশিংদুনা শোল্লি
তূমিন-তূমিন নীংঙমদনা
নঙালগী মরুমদা পোথাফম ওইবসু
কল্লকউদ্রে থম্মোয়সিনা অমুক হন্না।
ঈংলবা থাবল মঙালগী ঈরোলনুংদা
লিরি হুমদুনা চৎলিবা মালংবনা
নুংশিরবা লৈনম কয়া পুদুনা য়েল্লবসু
তাইবঙদা ফাওখিদরে অঙৈংবা লৈনম
হুমদোকপীখ্রে পুন্নমক অকনবা শাহুন্না
নহাক্কী ইচাই চাইরবা লৈকোলসিদা।

## ঈ তারি নাকোংদগী

**—খুমুকচম লৈবাকলৈ**

হৌরকফমসু থিজিন্দে
লোইশিনফমসু থিদোক্তে
ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অফং-অফং
পংতৌদা তৌই তৌনীং তৌনীংবা।
মাঙজবনা কয়াম, কান্নবনা করি
চেনখৎলিবরা মাঙদা হল্লিবরা তুংদা?
চিন্দা রাম, পুকচেপ্তা থাঙ
মপান্থোংদনা লাইনীংপুরেল ধর্ম্মগী
মনুংদনা হুরানবৈ নিংথৌ।
উশা থারি নীংঙাইদনা
থারিবা উশাদুমক্তা ফমদুনা
ঈশৈ শক্লি, তান থারি
শুর তাবা তাদবা য়েংদ
তান চাবা চাদবা থিদ
ইনিংথৌনবু শক্লদি ফজৈ ফজৈ
খূবাক প্রোক প্রোক খুজৈ
মপুগী মনাই হুইরোই খরা।
মপুগী মনাইশিংগী মতৌদা
ৱাখল তাবা মীয়ামদি
ঈ তারি নাকোংদগী।

## মহালায়াগী মরক্তা তেংথাখোল

**—থোকচোম রঘুনাথ**

তাবা ঙমদরে ঙসি কোরৌ
১৫ ওক্টোবরনা লাকপসিদা
'দুঙৈ' ইমানা তেংথাখি য়েংনা য়েংনা মতৌদো
পিরোইননা থৱায় শোক্লা পিরাং শিন্থুনা।
তর্পন থা মনুং তাইবঙ থৱায় কয়াগী
মফমদা তমজখি হৈকৎ-লৈকৎ, চেঙ-থোইদিং,
নীংশিংলকখিবনি কুমজা ১৯৪৯
কংলৈ-স্না লৈবাক মণিপুর
নমদুনা ইন্দিয়াদা তিলহনখিবা নুমিৎ
খঙহৌদনা হুন্নকপা অঙাওবা নোংলৈনা
হুমদোকপীখ্রে কংলৈ-স্না লৈবাক 'মণিপুর' গী 'মনীংতম্বা'
লুনা-চান্না চেৎনা কোনবীরম্বী ইমানা
মহালায়াগী মরক্তা তেংথাহৌরি ঙসিসু।
মীতোপ মীয়ানচানা মহুম শারবা
পুংচায় চাইখ্রে, কপখ্রবা তমজনফম
ওইবা ঐখোয়গী চৎন-কাঙলোন থৌশিল কয়া
হিংমিন্নবগী মহাওনা শান্নবদা
ইমানা কপহৌরি ৱারৌনা
মহালায়াগী মরক্তা তেংথাদুনা।

## লাংবন তর্পন

**—কে মেমা**

লাংবন থা কয়া চৎখি
ঙসিসু লাক্লে লাংবন তর্পন
নিঙোল ওইবীশিংনা হৈরাং লৈরাং পুদুনা
মপাম লমদম পাংলক্লি
কৎনরি মাগী মাগী ঙমজবা লৈ-হৈ
তর্পন উৎসব লাইওইখ্রবা লাইওইখ্রবীশিংগী
হরি মাগী মফমদা
কনা খরনা হায়নবা লৈ
কদায় ফাওবা চুন্লিবা, কদায় ফাওবা লাল্লিবা
লৈখিদ্রবশিংদুনা তর্পন থাদা লাক্তুনা
হৈশোয়-লৈশোয়, লাই-লালুক
চাবা লাকই হায়না থাজনৈ
ঙমজদবা কৎতবা কনাশিংগীনা
ইকায়না নীংঙমদনা হনখি হায়না
সংসারসিদা লেংলি পাল্লিবা জীবশিং
লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং, ইচিল ইনাও
ইবেনবোকশিং, ইপুরোইবা পুন্নমক্কী
মফমদা ঙমজবা খরদং কৎচবা পেনবীয়ুকো
চহী খুদিংগী লাংবন তর্পন কৎচবা ঙমহনবীয়ুকো।

## নুংশিরবী অমুর ফালকোন

**—চিংথাম চন্দ্রমনি**

হে নুংশিরবী অমুর ফালকোন, হে নুংশিরবী অমুর ফালকোন
পাইরক্লবরা নখোয়সু থাপ্পবা লমদমদুদগী তুংওইননা?
লৌরদুনা তাইবঙ শকলোন থৱায়শিংদুগী
খোঙদারম্নবা মালেমসিদা লাক্তুনা অশি লমদমদগী।
পীরুরগে মতাগুম য়াইফ থৌজাল
মথুম-মরাং হৌজরবা নিঙোলশিংদুদা
লাক্লবদা কুমগী নিঙোল চাক্লৌবনা
থৌরাংজরিবা মপাম লমদমদা মবুং মৌপ্পাশিংনা।
য়েল্লরিবরা নখোয়সু শান্তিগী পাউজেল?
পুরক্লগা চেন্দুনা শান্তিগী ইরিক কয়া-কয়া।
তাক্লরিবরা নখোয়না অমত্তনি মালেমসে?
পুনফম ওইরিবা জাতি ধর্ম্ম কয়াগী।
পুবিখো লমদমসিদগীসু, হনখিবদা নখোয়না,
পূক্লিংগী ফৎত্রবা ৱাখল
থাদবীরম্মু মখোয়বু লূরবা সমুদ্রগী ইরোলনুংদুদা।
পাউদম্বীরুচো মালেম শিনবা থুংনা, থালহৌরি মেরাগী থাওমৈ
নীংশিং খুদমদো নুংশিনবগী, চীংমী তম্মী মচিল মনাওশিংগী।

## নহাক্কী নরাল করিনো

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

তরু-তরুনা য়েংজরকপা
কোইরাওনবী মীৎস্না অনীদুনা
চল্লিবা পাউখোং অদুবু
করম্বা নুমিত্তা ফোঙলগবা
অউবা মীপূম খুদিংগী
থম্মোয়দা তাশোন্না লেংলিবা
করম্না খাঙলসিগে মৈচাকসে?
লাম্মৈনা লাঙ্গৈই চল্লবা
য়ারৌ শজিগী মতৌগুম
তথক-তথক য়েংলিবরা?
বলি কৎকদৌরা হামেংনা
লাইমাংদা চিংশিল্লকপদা
তকশি শোন্না য়েংজবদু
নঙগী মায়থোংদা উৎপরা?
অদুঙৈ রামায়নগী ৱারীদা
রাম, সিতা, লক্ষমননা
চহী ১৪ বোন চৎলিঙৈ
সনাগী শজিগী মীৎশুমদা
লক্ষমন রেখা লাল্লুবদা
সিতানা অৱাফম তাখিবা
নঙগী নফমদা থোকখ্রবরা?
কনাদা করি লংজরুবনা
অদুক অহকপা চৈরাকপু
নফমদা পীনবিরকপনো,
অদুবু থৱায়সিনা লৈরিমখৈ
ইচাগী খোঙ্গুল লীখিনি
থিরুখিনি নীংহন্নদনা
নঙগী নরাল করিনো?

মতম মতমগী ৱাখল

# মেরা হৌচোংবনা লাক্লবদা চীংমী তম্মীগী মরীবু নীংশিংলক্লি





মতম হায়বসি খঙহৌদে। চহী কয়াগী মমাংদগী মেরা হৌচোংবা থৌরমদা, লমদমসিদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা চীংমী-তম্মী খূদিংমক অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা মেরা হৌ চোংমিন্নে। অরৈবা চামিন-থকমিন্নে । খুদোনপোৎ পীদুনা অমনা অমবু নুংশিনবগী মরী তৎতনবা হোৎনমিন্নরকখি। নগা কুকি থিখিদে তম্পাক্কী নীংঙোল চাক্লৌবদা মবুং মৌপ্পা ওইবা মৈতৈশিংনা চীংমী নিংঙোলশিং কৌজদুনা শাগৈ জাৎ থিদনা অরৈবা চামিন-থকমীন্নদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপদু হন্দক চহী অসিদদি উবা ফংলোইদৌরি। ঙল্লিঙৈদগী লৈমীন্নরকখিবা কুকি কাঙলুপকী মীওই কয়ানি। ইচিন ইনাওগুম নুংশিনবা, মরুপ মপাং কয়া লৈমিন্নরমখি । ঙসিদি ফত্তবা কুকি খরা মপান্দগী চঙশিল্লক্তুনা হান্না নুংশিননা লৈমিন্নরকপা কুকি ইচিল ইনাওশিংদা হু কামশিনবা য়াওরকপনা মরুপ মপাং ইচে ইচলগুম নুংশিনখিবা কয়াদু অমনা অমবু থাজনখিদ্রে। কুকি লোইনমক ফত্তবা নত্তে। হৌজিক্তি অমনা অমবু লান্না লৌনরে। কুট ফেষ্টিভেল থৌরমদা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবদো হন্দক্তি উবা ফংলোইদৌরি। লেপ্পরি মথং মথং ইনাক্তা, মহৌশা লাইরেম্বীনা পুরকই, কুম অমগী মেরা-হিয়াঙ্গৈ, পোইনু-ৱাকচীং । লাংবন থা অসিনা লোইখিবদা লাক্লি মেরা থা । থা অসিনা য়ৌরক্লবদা লেপ্পরি থোংজিন্দা চীংমী তম্মী অনীগী অপূনবা শক্তম ওইবা মেরা হৌচোংবা, কুকিগী চবাং কুট, হিয়াঙ্গৈগী মৈতৈগী নীংঙোল চাক্লৌবা, ৱাকচীংগী কবুইগী চগান গানঙাই, তাঙখুলগী লুইরবা ফনিটফনচিংবা হরাউ কুম্মৈশিং মথং মথং ।

অদুবু খঙহৌদবা লাইবক থীবা থৌদোক অমনা মৈতৈ অমদি কুকি কাঙলুপ অনীগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী থাদৎপীররি। হুন্নরগদি খুম্নরনি । চুম্নগী খূম্নবা নত্তে চিন ফাওবা থিনরি। অসুক তুকৎচবা, মীমাঙথোক্লা মচিন থিদুনা লাওখোংবা অমুক্তা তাখিদ্রি। মৈতৈদি অসিগুম্বসি য়াম্না হঙ্গৈইনৈ। ইমুং মনুংদা হায়নদবা অহল লমন, ইমা ইপা, ইপু ইবেনদা হঙ্গৎনা খুমদবা ঙাঙদবা পন্নদবা কয়া পন্দুনা ঙাঙবীখি। কনানা ঙাঙবা হৌখি, করম্বা মীনা ঙাঙখি লোয়না খঙই অদু ওইরগসু মদু অমুক নীংশিংদবনা চুম্মী। চাউখৎপা হায়দুনা তান্নরিবা, মহৈ মশীং লাইরিক লাইশু তম্নরিবসি মীগী মপোৎ হুরানবা, মীগী মাঙনবা, লুৎ পাৎ তৌবা, অরানবা লম্বীদা চৎনবা, ফজদবা লোন খোনচোপশিং ঙাঙনবা তম্নবা নত্তে। অরানবা তৌরিবা মীওই, খোনচোপ ঙাঙলিবা মহাক অদুগী লমচৎ মহাক্লা তৌরিবা, উৎলিবা শাজৎ অদুনা অদুম তাকচরবনি। মদুগুম্বদু হন্দক য়াম্না উখি ।

অহাংবা নোংথক্তা কনাগীসু ঐগী লম, মহাক্কী লম হায়দুনা শম্বল খানরমদে। লুট পাৎ তৌবা মী নোংথক্তা লৈরমদে। শংবান্নবা অতিয়াগী নোংথক্তা মীগী মাঙনবা গঞ্জা, কানি, হিরোইন, পোপি পান্বী থাবা উদে, থেংনরক্তে। অদোমনা পুং কয়া প্লেন তোংদুনা চৎপদা প্লেনগী থোংনাউদা করি উবীরকপগে। তেরা মফোনগুল্লবা লৈচিনশিং, হাংলবা অতিয়ানা তরু তশেংনা লৈরমখিবা নৎত্রা ? অহাংবা অতিয়াদা কনাগী খোঞ্জেল তাবীরকপগে ? অহাংবা অতিয়াদা, মচিন থিদুনা লাওবা, হাৎন-শুনবা, কাপথোকলকপা নোংমৈগী বোমগী মখোল, মীকপ মীরাউখোল তারকখিব্রা ? যূম মৈ থানখিবগী মফম লৈরমব্রা ? করিগীদমক মালেমথক অসিদনা ঐখোয় মীওইবা মরক্তা অসুক শাথিবা মীহাৎ মীপুন, ফজদবা ৱাঙাং শংঙাং ময়াম্না অমগা অমগা ঙাঙনরিবা খল্লুবদা নুংঙাইতবা, তুকৎচবা ফাওরি।

নহানখৈ থা ৫ হেন্না অমনা অমবু নোংমৈ কাপ্পবা, হাৎনবা যূম কৈ মৈ থানখিবদু তোংজবা কনাদা লৈরি । পৈশা পায়বা কুকি খরদি মপান্দা প্লেন তোংদুনা মফম অমা চৎলমখিবা য়াই। লৈতা লাইরবা, চীংগী মনা মশীং হেক্লগা তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা য়োল্লগা ইমুং মনুং থাকচরম্বা মখোয়দি শুফম নোমফম খঙলমলোই । মতৌ অসুম্না শুরগা হিংজবা চমজরবা মৈতৈগী ইচে ইচল, ইমা ইবেন কয়াসু কুকি ফত্তবা নিশা চাবা মীনুংশি লৈতবা খরনা ঙাইহাক লৈতনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপথরকপনা ঙসি ফাওবা তম্পাক্কী মীওইশিংদি তংদু লৈতাবা ফংদ্রি । চীংদা লৈরিবা কুকি ইচে ইচলশিংদি মদুগী লাঞ্জেন্নবা অদুমক্তি হৌজিক্তি নংলল্লোই। শুফম খঙদবা, অনা অয়েক্কী চানা থক্লবগী খুদোং চাদবা, শুরগা চাজবা কুকী মীচমশিংগীদি চৈথেং ফংলমগনি। পুন্নমকসি কনানা থোকহনবনো? তম্পাক্কী মৈতৈ মীচমশিংদা তাইশিনবদি য়ারোই ? খুনয়াদা লৈজবা মীতৈশিংদি ঙসি ফাওবা লাঞ্জেন্নরি। মেরা চাওরেন হৌবা ঙসিনি। লাইনীং লাইশোন-হরাউ কুম্মৈ কয়া পাংথোকচগদবা অদু চুরাচান্দপুরদগী হৌরকখিবা থা মঙা হেন্না চৎথরকখিবা ঈরাং অসিনা নুংঙাইতবা ফাওনরি। মফম খঙদনা মাঙখিবা, মীশি মীনা নঙলিবা, মীওই লীশিং কয়া যূম মৈ থাখিদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীকপ খোঞ্জেল লেপত্রিবা অসিদা করম্না লাইনীং-লাইশোল, হরাউ কুম্মৈ নুংঙাইনা পাংথোক্কনি ? মেরা হৌচোংবা, চবাংকুট কুইদ্রে। নীংঙোল চাক্লৌবসু কুইদ্রে। পুন্নমক কুম অমগী অমুক্তমক পাংথোকচবা নুংশিনবগী পাউজেল য়াওরিবা থৌরমশিংনি। মদু ফাওবা হন্দক্কী ওইনদি অৱা অনা তারিবশিংগী খল্লগা পাঙথোক্তনবা তম্পাক্কী মীতৈশিংনা ৱারেপ লৌনরি । অসিগুম্বা ফিভম অসি করিদগী লাকখিবনো ? কুকিশিংগী থম্মোয়দা মদুগী নুংঙাইতবা ফাওরমগদ্রা ?

কুইদ্রি চহী অহুম হেন্না কোভিদ লাইচৎনা মীওই কয়া শিহনখি। তম্পাক্কী মীওইশিংনা অৱা অনা তারকপদা চীংগী ইচিল ইনাওশিংনা চীংদা ফংবা লফু, লফু থরো, মনা মশীং গাড়িদা পুরক্তুনা পীরখি। তম্পাক্কী মফম কয়াদা হাংদোকখিবা কোভিদ কিয়ার সেন্টেরশিংদা চানবা থিল্লকখিবশিংদো কুকি ইচিল ইনাওশিংসু য়াওখিবনি। অদুক নুংশিনখিবা ইচিল ইনাওশিং অদু কদায় চৎখ্রে ? মখোয়মক্তি তম্পাক্কী মীতৈশিংদা শাওরমলোই অদবু মীফত্ত কুকি খরনা মখোয়দা ইনশিবীদুনা মীতৈবু য়েক্লবগুম খনবদা য়াওহনবীখি। চীংগী মনা মশীং, পান-মাইরেল, কংলায়েন, উচিনা, মোরোক পুজরক্লগা তম্পাক্তা য়োঞ্জরম্বা চমজরবা কুকি ইচে ইচলশিং কয়াবুসু খুদোং থীবদা তাহল্লিবসি কনাননো ?

কুকি লমহেনবা মচিন থিবা খরনদি ঙসি ফাওবা মীতৈনা হৌবনি হায়না মেডিয়াদা ঙাঙবা তারি। মীচমদি তোক্লসি এম এল এ, মন্ত্রি ওইরিবা কুকিগী নুপা নুপী, দিজি ওইরম্বা পুলিস ওফিসার ফাওবা য়াওনা মীতৈদা ওনশিল্লি। মখোয়গুম্বা খরা অসি য়াওরকপনা নুংশিননা লৈমিন্নরম্বা অঙনবা মতমগী কুকিশিংগা মীতৈগা অনীগী য়েংথিনরক্লবা হোৎনবদা হেন্না মতেঙ পাংলি। পোপী থাবগী, মপান্দগী লাকপা কুকি চঙহন্নবগী থৌরাংদা মখোয়না শৌগৎলম্মী হায়বসি হৌজিক্তি ময়েক শেংলে। মখোয়সি লমদমসিগী অশেংবা কুকি ওইরমলোই। কুমগী লাকপা হরাউ কুম্মৈ থৌরমশিংদা শরুক য়ামিন্নরম্বা কয়াদো হন্দক্তি উবা ফংলোইদৌরি। থৌরাং অসিদা মখোয় য়াওই হায়বসি অরানবা ওইরোই।

মণিপুরদা ফোংবা চহী অমগী কেলন্দরদা য়াওরিবা হরাউ কুম্মৈগী ছুটি লিষ্টা য়াওরিবা ওক্টোবর ১৭কুকিগী রাইজীং ডে, চবাং কুট, নভেম্বর তাং ১ অসি অনৌবা চহীগী লৈবাক্লা ফোংলক্কদবা কেলেন্দরগী হোলিডে লিষ্টা য়াওরকফম থোকলিব্রা ? হৌজিক্তি য়ানদ্রবনীনা ৱাসি য়াম্নরক্কনি। কাঙলুপ অমগী হরাউ কুম্মৈশিংদা অমনা অমবু ইকায় খূম্নরম্বা অদু থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুনা হান্নগুম শরুক য়ামিন্নবা ঙমখিগদ্রা ?

পুন্নমক অসি থোক্তনবা হান্নগুম্না নুংশি চান্ননা লৈনবা ৱাঙাং অসি কুকিগী এম এল এ, মন্ত্রি ওইরিবশিংগী মচিন্দগী খামদোকপা ৱাহৈ তাদ্রি। অহোয়নদুম তোঙানবা লৈঙাক তানবা, পোপী ফজবা লৈনী খরা হায় তৌদুনা মখোয়না হেন্না ঈরাং শাগৎপা থেঙনরি । মীতৈগীদি ঙসিসু নুংশি চান্ননা হান্নগুম লৈমিন্নবগী ৱা হায়বা তারি। মেরাগী নোংমা পানবা হায়বসি মীতৈগীদি লাইনীং লাইশোনগী নুমিৎশিং মথং মথং লাক্লবনি। চীংমী তম্মী নুংশিনবগী অচেৎপা লীপুন পুনশিন্নবা নুমিৎনি মেরা হৌ চোংবা। অদুবু হন্দক হান্নগুম্না উবা ফংলোইদৌরি। নীংঙোল ওইবীশিংনা থৌরাংনা ঙাইজরকপা নীংঙোল চাক্লৌবসু হন্দক্তি পাংথোক্লরোইদৌরি । মেরা থা লাকপসিদা অদুঙৈগী নুংশিনরম্বা চীংমী তম্মীগী মরি অদু নীংশিংলুবদা নুংঙাইরক্তে। নুংঙাইতবসি কুকি শিংদা ফাওরমগদ্রা ? চীংমী তম্মীগী নীংঙোলশিং হরাওনা চিন্দমমিন্নজবা চাক্লৌবা থৌরমবু পাংথোকহন্দনবা ঈরাং থোকহল্লিবসিগী মরালগী চৈরাক্তি লাইগী ৱায়েন শোয়দনা ফংগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# অবুঙো মমাগী নোকফেৎ

অযূক্তা ৱাকিং চৎলুবনি। হল্লক্লগা মাঙ্গোলদা ফম্লগা পাউচে অমা পারি। মনিল ফোঙ-ফোঙ কারিবা চা কপ্পু পায়খৎতুনা থক্কে হায়না চিনবান তম্না পুখৎপদা ঙাইরি। চা পুথোক্লগা ইমুংদা চঙখিবা অবুঙো'মমানা ফৎ লাওনা থোরক্লগা মখূৎ অনীদু মখ্বাংদা মেৎলগা ঙরাং ফল তাদনা লোইশিনখিদ্রবা ৱারীদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৱাই ময়াদা কামথরকই।

"কমাই তৌসি হায়বনো?' শুমাইনা সুম তৌবসিদি ঐদি পামদে, ৱাসে লৈখাই অমা তানা হায়নসি, ঐ মীগী খদাং মখা থানা হিংবা পামদে"

খোন্দু অয়ূক্কী লীলা কংদ্রিবা গুলাপকী লৈনম অমদি মাঙ্গোলদা থারিবা ধূপকী মনমগা অমত্তা চানদ্রে, কালেনগী শারবা নুংশাদা উরুম থিদুনা উখাদা ফল্লিঙৈদা উথক্তগী খোঞ্জেল য়াকপা উচেক অমনা লাক্তুনা খোংবদু ঙাই। অদুদবু কাইদগী চা থকপগী বিৎনো। চিনবান ময়া য়ৌরুরবা চা কপ্পু হান্নগী মফমদা থল্লগা পাউচেদু তম্পাক্তা থাদরগা ঐ কদাইদা য়েংলিনো খঙদে চুমদ্রিং শুমাং মতোন্দা ঐগী হুই তুনাননা উচি মচা অমা ফরক্তা চেম্থোরক্লিবদু ফাগদবগী তান্নরিবদু য়েংলি। অবুঙো'মাদি ৱা হায়বা লেপত্রি। মাগী ওইনা পেঞ্জদবা ৱাফম কয়া ঈশিং হৈথবগুম জরর...জরররর হৈথরক্লি।

"ঐদি হায়রিসিনিকো, সুমাইনা সুম তৌরদি যূমসিদা লৈবা ঙম্মোই, নোং ঙানবদগী মাঙ্গোলদা ফম্মগা মীগী সিত্র-কুপত্র য়েংদুনা তুকা থি থিদুনা ঙাঙবা, মোইসু নহা ওইরক্লিবনি, মৌ ওইরক্লিবনি, নোংঙানবদগী সুক য়াম্না ৱানা হোৎনরিবসে কৈমতা খঙদবা, ফিদোন চিংখৎলিগা-চিংখৎতেগা, কোক খুম্মীগা-খুমদেগা, ফনেক শেৎপা ফাওবা পানৈ, চৎপদা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ লাউইগা, কনানা পু-থাংবা ঙমগদৌরিবনো?"

অবুঙো'মাগী ৱাদু তানা তানা ঐ সুম নোক্লিংলকই। ৱাদি হায়দে, মখোলসু থোক্লা নোক্তে, থম্মোয়দদি শিথ-শিথ নোক্লি।

হন্দক্তি অবুঙো'মাদু ঐনা তূমিন সুম লৈবদুদা মথম্মোয়দু প্রোক-প্রোক চাক্লবজাৎনি। মখূৎ খুদোম্বীদুনা ঐগী কোকসিদা ৱাঙাঙ খুদিংগী চক চক থিল্লকই।

"কৈনো তূমিন্না ৱা অমত্তগা ঙাঙদখৈ সুম লৈরিসিবো, নমাগী মীচং চঙঙিরা, ও ফরে ফরে চঙহৌরো, ঐদা চৎখ্রগা ফরদৌনি"

হন্দক্তি কাইদৈনো ঐসু ঈ ব্রং লাউনা কারকই।

"য়াম চৎনীংবা নৎত্রো, চৎলো চৎলো। অহলনা ঙাঙববু তাবা ঙমদ্রদি, চৎলো"

"ও অদুরা, ফৈ ফৈ নোই চপ মান্নরেদনা ফৈ হায়সিনি"

"কৈনো ফৈ হায়দি?"

"ফৈ হায়সিনি"

"হে অযূকসিদা ঐ ৱা য়াম ঙাঙনীংদে, চৎখ্রো চৎলো য়েংনীংদে"

"য়েংনীংঙোইয়ে, নঙদি ঐ য়েংনীংঙোই, য়েংনীংঙক্ত্রে হায়সু ঐ নহান্না খঙলবনি"

"কাইদৈনো মানা পোপথোরক্লিসিবো, ৱা য়াম্না ঙাঙনবা পাল্লদি, লাউ ইমুংদা"

ঐ ফুক হৌগৎলগা মখূৎ পায়দুনা চিংই। ইমুং কা য়ৌরবদা অবুঙো'মাগী মখূৎতু চিংশিন্দুনা ফমুংদা ফমহল্লি।

"কৈনো নঙনা পাম্মীসে?"

"ঐ করি হায়গে?"

"নঙনা হায়দু ঐনা য়াদে হায়সি খঙলি নৎত্রা?"

"অদু হেক্তা য়াব্রনে?"

"হে, অহলসে য়াম্না ৱাজরক্লবনি, থায়নগী অহলশিংনা পামজবা মওং মতৌদু করিনো হায়বসি নঙ হান্না খঙনবা হোৎনগদবনি, য়ানবা চৎকদবনি, ইমানা নঙোন্দা ফূ চৈবা য়াওব্রা হা"

"ফূবদগী হেন্না শাথী ৱাঙাঙসে"

"ঙাঙসনু, কয়াম কুইনা হিংগনি, মশাগী চহী ৮৩ হেল্লবা মমিৎফাওবা নীংথি নুংঙাইনা উদ্রবা অহল অসিগা নঙনা মান্নরি কৈনো, হা, নোই মতমসিগী মৌ নহাশিংসিনা যূমগী মনেম মকু অহলশিংবু অসুক য়াম্না থৌওইদ্রিসি কৈগীনো? নঙমক্লা অদুম্না তৌরক্কনি হায়বসি ঐ থাজরুদবনি"

"সিবু ঐনা কয়াম কাইরগে?"

"য়াম কাই, অহল হায়সিদি খরা ঙাঙগদবনি, অহলনা ঙাঙবা তাদবদগী ঙসি নহা মখৈনা তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা ইমুংসু খুন্নাইসু পুমচাই চাইরিসিনি। অহলগী ৱা ঐখোয় তাগদবনি। মখোয়দগী ঐখোয়না তম্বা য়াবা তমহৌগদবনি, মখোয়বু লুনা তৌবীগদবনি, মখোয়না য়ানবা ঐখোয় চৎকদবনি, মখোয়বু মথ্বায় নুংঙাইহনবা, পেলহনবা হায়বসে ঐখোয়গী ইথৌনি। মসি ঙল্লোইদবা ওইরবদি নহাক ঐগা পুন্সি চূপ্পগী ওইনা কায়নরসু য়ারে"

ঐগী অকোনবগী ৱাদু তাবদা অবুঙো'মাদু খরা মনীং হনবা মাল্লি। ৱা ঙাঙদে, ঐঙোন্দা তূমিন য়েংলগা লৈ। ঐনা মখা তাশিল্লি।

"হায়যু নঙ করি খল্লি, হোরেনফাও মতম পীরি, মসিদা য়াদ্রেদনা হোরেন নুংদাং নয়ূমদা থিল্লনি"

অবুঙো'মা তূমিন থোকখ্রে। ঐসু তন্দনা থবক অমা চৎথোকই। নুমিদাং ৱাইরমদা ঐনা হল্লকপদা অবুঙো'মানা খুদেং অমদা ঐখোয় ইমাগী মখোঙদু ঈশিং অশাবনা চান্বীদুনা লৈরম্মী। ঐ হায়রপ লেপ্পগা য়েংই, অবুঙো'মাদু ঐঙোন্দা হায়ফেৎ য়েংলগা নোকফেৎ তৌরকই।— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# জবলপুরগী খোঙচৎ - ১

ওগষ্টকী চৈচৎ ২০দগী ২২ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা ওল ইন্দিয়া প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী ১৮শুবা নেসনল কনফরেন্স পাঙথোক্কদবনি, খঙহৌদে মতমসে শৎ হৌজিল্লকই, টিকেট ককপগী মতাং য়ৌরকই। ঐখোয় তরাগী টিকেট কক্লে ফ্লাইটকীসু, ত্রেনগীসু। নুপী মরি, নুপা তরুক্লি। নুপীদা ঐ ইশামক, বাসন্তি পৌদেল, আনেশ্বরি অমদি সোনিয়া লৈমপোকপমনি। নুপাদনা ওজা রন্ধিরকুমার য়েন্দ্রেম্বম, ওজা একেন খুরাইজম, য়ুগেশ্বর, সরত সলাম, হেরোজিৎ পুখ্রম্বম অমদি ইনাওবী হুইরেম্বনি।

ওগষ্টকী চৈচৎ ১৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ৯.৩০দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকই। পুং ১০.২০দা গুৱাহাটিদা য়ৌরে। গুৱাহাটিদা ঙাইহাক খাল্লগা অদুম পাইরে। পুং ১দা দেল্লী য়ৌরে। টর্মিনেলগী ৱান্দগী অমুক ইন্দোরদা পাইননবা এয়রপোর্টতগী থোরকএ, মনাক্তা লৈবা হোটেল অমদা চাক চারে। দেল্লী এয়রপোর্টতা ঙাইরিঙৈদা দাইবেটিস পেসেন্ট অমা সুগর দাউন তৌরকপদগী মশা নুংঙাইরক্তদুনা এয়রপোর্টকী ষ্টাফশিংদা চিনি নৎত্রগা গ্লুকোজ খজিক্তা পীযু হায়বদু তাশিন্নদবদু উবদা সোনিয়ানা ঐঙোন্দা য়াওরিবা চিনি পেকেট মচাদু অমত্তা পীরকউ হায়রকই। ঐনা চেঙপাক্লা শঙ্গোমগা চিনিগা পেকেট মচা মচা পুরকপদু কান্নরে, নুপাদু চিনি পেকেট অমা পীরগা চাবদগীদি নোর্মেল তারকএ। মহাক্লা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোরকই। এয়রপোর্টকী ষ্টাফশিংনা থৌশাদবদু মহাক্লা সিভিল এভিএসন্দা ৱাকৎকনি হায়। নুমিদাং পুং ৯ তাবদা দেল্লী এয়রপোর্ট থাদোক্লে, পুং ১০.১৫দা ইন্দোর এয়রপোর্ট য়ৌরে। দেবী অহিল্যাবাই হোনকর এয়রপোর্ট। মনুংদা হেক চঙখিবদা কবোকৈ অশাবা অমা ময়ায়দা লেপ্লগা লৈবদু ঐদি ওন্থোক্লা ঙাওরুরে মনাক্তা চঙশিন্দুনা ফোটো নল্লুই। মখোয়গী এয়রপোর্টতু অৱাংবা থাক্কী কলাগী মমি তাই, ফজ ফজরবা অশাবা মীতম কয়া অয়েকপা লাই কপ অমসু থেক্তুনা থম্মী। মপান্দা হেক থোক্লকপদা থারম্মী ৱেলকম টু ইন্দোর দ ক্লিনেষ্ট সিটি ওফ ইন্দিয়া, স্বাগতম। মনাক্তা চঙশিল্লগা অমুক ফোটো নল্লুই। হেক থোক্লকপা ঙাইহাক লৈরগা ঐখোয় তরা চপ চানা চনবা সিট অমমমতা থাবা বস মচা অমা থাবিরক্লে, মধ্য প্রদেশকী প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী ষ্টেট সেক্রেটরি মিষ্টর ভিনিট তিৱারিনা থাবীরকপনি। ইন্দোর এয়রপোর্টতগী ভোপালগী রেলৱে ষ্টেসন ফাওবসি চাওরাক্লা কিলোমিটর ২০০মুক লাপ্পী। অহিংগী পুং ১ খরা হেনবা অদুৱাইদা রেষ্টোরেন্ট অমদা চাক চারে। ঐখোয় নুপী মরি টেবল অমদা চারে। লুপা ৬০০ তারে। কা হেন্না লাম্বা নত্তে চাদবা নুংঙাইতবগী খরা চাবনি। নোংঙাল্লমদাইগী পুং ৪ তাবদা ভোপাল রেলৱে ষ্টেসন্দা থুংলে। চিন-য়া শেংদোক্লগা চা থক্লে। অদুদগী অয়ূক্কী পুং ৭.১০দা জবলপুরগীদমক ভোপাল থাদোক্লে। ত্রেন মনুংদা লৈরিঙৈ পৱাগী ষ্টেট সেক্রেটরি ভিনিট তিৱারিগা ঐগসু পাউ ফাওনরে কদাই য়ৌরে পুং কয়াদা য়ৌরক্কনি, গাড়ী ঙাইহল্লম্বা অসিনচিংবা গাড়ীগী শিল্লাংবা নুপাদু সেক্রেটরিনা ঐগী ফোন নম্বর পীখিবজাৎনি। ঙাইহাক লৈতনা ঐঙোন্দা ফোন তৌরকই, কদাই য়ৌরে, পুং কয়াদা থুংগনি। ঐগী খোঞ্জেলসি নুপা মানবদুদা মহাক্লা সার সার হায়না অদুম হায়রকই, ঐসু করিমত্তা হায়দনা ৱারী অদুম শানৈ।

চৈচৎ ২০গী নুংথিলগী পুং ৪.২০দা জবলপুর রেলৱে ষ্টেসন্দা থুংলে। হেক য়ৌবগা ময়াম পুল্লপ লেপমিন্নরিঙৈদা ঐঙোন্দা ফোন তৌরকই মশম শাংবা গাড়ীগী শিল্লাংবা নুপাদো কয়াদি নোক্লিংলে, ইবানি পুল্লপ নোকমিন্নবগা ফোন তৌনবদুদা মহাক্লা ঙসাইখৈ সার হায়রম্বদগী ঐঙোন্দা নোক্লগা মেদাম হায়রকই। থৌরমদি ঙসাই অযূক্তগী হৌখ্রবনি, মখোয়না থৌরম মফমদা চৎকদ্রা লৈফমদা চৎকদ্রা হংবদা ঐখোয়না ইরু মায়থজরগা ফিরোল হোংলুখিনি হায়বদগী ঐখোয়গী লৈফম সুকুন রিজোর্টতা লাক্লে।

**— ডা. নির্মলা রাজকুমারী**